তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনখ্রে

# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) ইম্ফাল ৱেষ্টনা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফাল ইষ্টপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরিবা তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিরিবামগী দি সী রোবার্ট ক্ষেত্রিময়ূম, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি এম মুবী, দিবোং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান আর কে নোবিনস্না, জিরিবামগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ঐচ বাসুলাল, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর টি ঐচ ইবোতোম্বী, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম টিলোক, স্পেসল কন্ত্রেক্টর টি ঐচ জিতেন মীতৈ, টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর কে ঐচ প্রোমিলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এম পি এস সী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং এলেভেন ষ্টার ইম্ফাল ইষ্ট শান্নখি।

মেচ অদু এলেভেন ষ্টার ইম্ফাল ইষ্টনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এম পি এস সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদা এলেভেন ষ্টার এস য়ুগী টিমনা পেনালটি কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। অদুবু পেনালটি কিক অদু গোল পোষ্টতা পানখিবনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা এম পি এস সী ইম্ফাল ৱেষ্ট টিমগীসু পেনালটি কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। পেনালটি কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ ঐচ দয়ানন্দনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু এম পি এস সীনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৭১শুবা মিনটতা এম পি এস সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫ বোবোয়স্নানা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা এলেভেন ষ্টার এস য়ুবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি। চেম্পিয়ন্দা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, রন্নর্স-অপতা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১/১ খূৎশিন্নখি।

তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস মীট ২০১৯

# লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এল কে এল কে, ভি ভি কে অমসুং কে মোলপি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

কাংপোকপীদা লৈবা এম থোমাস গ্রাউন্দদা তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস মীট (এস ঐচ দি ভি এস এম) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা লিয়াই কোংপাও লিয়াই কলাপহার (এল কে এল কে), ভেঙথা ভেটরান কাংপোকপী (ভি ভি কে) অমসুং কে মোলপি থাংকান মায় পাকখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা তরুকশুবা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান স্পোর্টস ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এল কে এল কে অমসুং মোটবুং ভেটরান শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এল কে এল কেনা মোটবুং ভেটরানবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। এল কে এল কেগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কে জিমিননা মেচকী ২০শুবা অমদি ৩০শুবা মিনটতা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ভি ভি কে অমসুং আই বি এরিয়া ভেটরান শান্নখিবা মেচ অদু ভি ভি কেনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি। অদুগা লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা অমদি ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে মোলপি অমসুং কাংগুই ভেটরান শান্নখিবা মেচ অদু কে মোলপিনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি।

সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীং সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কৈরেক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দি ৱাই এ এলাং খাংপোকপী অমসুং ৱাই দি এ-দি কৈরেক শান্নখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম ১৫শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ নিলকান্তনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিমনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা ৱাই দি এ-দিগী মায়কৈদগী দি ৱাই এগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু দি ৱাই এনা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীংনা এফ সী ককচীংবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীংগী পাঞ্জলশিং অদু এন টিঙ্কুনা মেচকী ১০শুবা অমদি ৩৭শুবা মিনটতা চনখি।

৭শুবা এম ভি সী এ টি-২০

# ৱাই দব্লিয়ু সী-এল, চেম্প মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

মণিপুর ভেটরন ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি মায় পাকখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা তরেৎশুবা এম ভি সী এ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচতা ৱাই দব্লিয়ু সী-এলনা সাইক্লোনবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি। অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোন্না ওভর ২০দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ১০৬ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা দব্লিয়ু ৱাই সীনা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১১০ লৌখি।

লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা চেম্পনা এল সী সী সীবু রন ১৪দা মায়থীবা পীখি।

স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট অন্দর খেলো ইন্দিয়া স্কিম অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোল

# পি ৱাই পি সী, ঐচ য়ু এফ সী অমসুং মঙাল এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদ পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট অন্দর খেলো ইন্দিয়া স্কিম অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি ৱাই পি সী, ঐচ য়ু এফ সী অমসুং মঙাল এফ এ মায় পাকখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট অন্দর খেলো ইন্দিয়া স্কিম অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোলগী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা পি ৱাই পি সী অমসুং এফ য়ু সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ য়ু সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা পি ৱাই পি সীনা এফ য়ু সীবু পাঞ্জল ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামন্টে অসিগী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.২০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা মঙাল এফ এ অমসুং কে এস ৱাই সী শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা মঙাল এফ এনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মঙাল এফ এনা পাঞ্জল ৪-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা মঙাল এফ এনা কে এস ৱাই সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা ঐচ য়ু এফ সী অমসুং পি ৱাই পি সী শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঐচ য়ু এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি। অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঐচ য়ু এফ সীনা পি ৱাই পি সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

# টি আর ভি এস এ মায় পাকখ্রে, ভি এস এ ৱাই অমদি তবসফা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচএন এস)ঃ

পৌরাবিগী এস ব্রজবিধু অমদি সেক্তাগী দব্লিয়ু মুহিন্দ্রোবু নীংশিংবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি ভি এফ এ) না শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ভি এফ এ) গী মীৎয়েং মখাদা সী দব্লিয়ু সী নুঙ্গোইগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা টি আর ভি এস এ মায় পাকখ্রে। অদুগা ভি এস এ ৱাই অমদি তবসফা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচতা টি আর ভি এস এনা এফ ভি এফ এবু পাঞ্জল ২-১দা অমদি ৮শুবা মেচতা ভি এস এ ৱাই অমদি তবসফা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি।


## ꯆꯩꯊꯣꯛꯄꯥ / NOTIFICATION

It is hereby informed to all the BJP State Office Bearers, State Executive Committee Members, Special Invitees, Permanent Invitees, District Office Bearers, Mandal Presidents, All ZP Adhyashka & ZP Members, Councillors of Municipal Councils, Councillors of Nagar Panchayat and ADC Members are requested to attend the State Convention of BJP on the 6th March, 2019 at 10 AM at Chandrakriti Auditorium, Palace Compound, Imphal East without fail.

**Sd/-N. Nimbus Singh**
Gen. Secretary (Media) BJP,
Manipur Pradesh

HL-P/6001/5











Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com